
পীরগে বিদাই

চন্দ্রকালা

পীরগে বিদাই



কুমারী চন্দ্রকালা দেবী

হক খুদিঙমক অইবগীনি। মমল—লুপা ৫/—

কঞ্চবা

কোরৌ নোংনা বাংররা,
পন্থৌ ইর্পানা মহেল্লি,
মালেম নৈলনা লস্বরা
পলেম্ ইমানা মহেল্লি ।
মনুক মতম চাদনা
তাইবঙ নৈরাং .কেমরায়খিবা
হাদ পন্থৌ লাইবকথীবা
নমোম শারেপ কারকলে,
পন্থৌ লমন শিংজনবা
নৈজ্ঞদেকো পাঙ্গলঙ্গু ।
কো'রৌ থরুগী কুবিরকউ
নমোয়া খুদোল তমজরিবসে
নোঙ্গাগ্রবা পন্থৌ খুয়াখাদ ।

———— ————

ৱাহৈ খরদং

ঐগী পুস্তিগী অহানবা খুং থাবা ওইনা পুথোকচবা শৈরেংগী লাইরিক মচা অসি থোইদোক্লা মশুন লৈরে হায়না হোংনজবা নচ্চদে। চুম্না মৈতৈলোনগী সাহিত্যগী লনগৈদা করিগুম্বা খরদং খুদোল তমজগে হায়বগী ৱাখলদা ইজখিবনি। পাবারিবশিংনা অশোয় অঙাম য়াওরম্বা খুদিংমক ছাকপীবগা লোয়ননা মতুংদা চুমথোকচনবগী খুদোংচাবা পীবীরবদি হোংনজমনগী মহৈ য়াম্লে খঙ্গনি। অমরোমদা লাইরিক মচা অসি পুথোক্লবা হোংনক্লবদা শেলগী মতেং পীবীরকখিবা মনিপুর সরকারগী মহৈ লোইশঙগী মকমদা মশিং লাকঙমদনা তৌবীমল খঙবা উচ্চরি।

ময়ামগী সেবাদা,

কুমারী চন্দ্রকালা দেবী।

পীরগে বিদাই

হিরম		লমায়
১ | কচ্চবা	....	১
২ | কংলৈপাক	....	৩
৩ | ইম্ফাল সহরদা	....	৬
৪ | পীরগে বিদাই	....	৯
৫ | অনৌবা চহিদা	....	১৩
৬ | নিঙশিঙ নুমিৎ	....	১৫
৭ | লোক্তাক	....	১৬
৮ | ভেংথাজবা	....	১৮
৯ । পলেম নঙবু কনানো ?	....	২০
১০ | ভাইবঙ লৈরাং	....	২২
১১ | কায়রবা থম্মোয়	....	২৪
১২ | লৌমী অমম্পুং ফৌ পাম্বী	....	২৭
১৩ | অঙকপা থৌদোক	....	২৯
১৪ | লাইরবী	....	৩১
১৫ | মহৌশাগী খুৎশেম	....	৩৪
১৬ | পুয়া বারী	....	৩৬
১৭ | ঐগী মঙ	....	৩৮
১৮ | শঙাই য়াইপুবী	....	৪১
১৯ | মাঙপ্রবা ঙৈনাং	....	৪৩
২০ | আকাশ বানী	....	৪৪
২১ । কৈদনো	....	৪৬
২২ | ঐগী লাং	....	৪৮
২৩ | খুরুমজরি	....	৫০
২৪ | ভাগী মকোক খনবা	....	৫২
২৫ । হৌজিকী ওইরিবা সমাজ	....	৫৫

কচ্ছবা

খারবা রাকচিংগী উয়েন লোইখিহ্না
লাক্লেদো বসন্ত ঋতুগী কোকচিন,
লেঙলক্লেদো ঋতু রানী শকহেনবী
ঋতুগী থৌগল তুংইন্দুনা,
খুত্তা বিনা পায়, শঙলেন কিজোল লৈতেংহ্না
মথুম মরাঙ কৌরে মালেম পৃথ্বী,
পোত্সী হেক্লানা মপুগী কোলোয় শকলক্লে।
'ভজন সাধনগু হৈকদে,
লৈশি লৈখোলগু খঙজদে
রাগ রাগিনিশু শুজদে'
চয়বা নরাগী থম্মোয়ন।
সমাজ মীনোক কিজবনা
খুদোল তমজবা তমজখিদে,
বাখল লৈরাং ঐখক্কী
থম্মোয় শুংদা পোমলম্মী।
'কোরৌ শীংবুম কয়ানি
লায়র শঙদা শাংলম্মী'
ঐগী থম্মোয় কাচিন্দা
লোয় থুপ্লা শাংচবা।

সাহিত্য লৈরাং থবদং
কৎচনিঙবা ঈথৌনা
হৈভ হৈভ শৈরাংজরি ।
সাহিত্য লৈকোল লাইরেম্বী
লৈরাং শুনা শাংলিবী
লৈনম শুনা ভিল্লিবী
মালি মশিঙ য়াম্লিবী,
শৈরোল ভদে থনবীগদু
চিংনবা লৈতনা লৌশিনবীয়ুকো।
ঈমাগী সাঁহিত্য মন্দিরদা
নংমোম থুংনা থাজবা
লৈরাং চার 'সিমতং
থুইথখিনি কিজবনা
পিরাংনা ঈশিং চাইজরি ।
লৈরাং কাংদোং কাহনবীয়ু
শীতেল লৈপুং কাহনবীয়ু
সাহিত্য লাইরেম্বী ইমা-ও !
ভাইবং লৈকোল শাংচবা
সাহিত্য লৈরাং ওইহনবীয়ু
ঈমাগী থুরাদা কচ্চরি ।

কংলৈপাক

ঈশুগী শোরা তৈবক্যেল,
মীকপ থোক্লো ঐরুমাক ।
লাও ঈচিক ঈনাওশা,
সনা মৈতৈ কংলাক্
ঙাক্তক্লন মৈকৈচক
মুম 'মুক য়েংশি লাও
কয়ি খোঙ্গুলাবা খুনদা
মিশাইরবী ঈমা লিং ।
কনাক কংলা মৈয়েবা
কনান মুংপ ওমশনি ?
মক্নৌ লৈবা মৈরোনি,
ঈবুধৌ পাখংবী অশাওবনা
ময়াদ মৈরী কামথোকপনি ।
ঈরাং থৌনি তৌরশি
খুত শাইরোঙ পায়রসি
মীরম কাক তাক্লসি ।
সনা কংলা মেনশৈদা
লমশী কাক্লো শোকলুরে,
খল্লি কচুক কামকুমা
অমম অশৌ ফোক্লশি ।
ঈবুংগৌ শাওবা লেমবা

কনা লৈরি অঙবা
ঈরাং থৌনি শকথঙবা
মৈতৈ পুরা পামরিবা ?
হুইনাও চাওনবা য়োকপনা
লৈত্তোন লেকই হায়বগুম
খুদাওবনা কৈপারে
কংলে সনা লৈপাকসে।
মৈতৈ ঈবুঙ হুংশিবা,
কংলৈ ঈপ্বা অনৌবা,
নায়ক নাহই মরক্তা
ম্লাইবী কয়া খাথরে।
যুগকী খোঙবাও ভাইরিবা
কংলৈচা কয়া কয়াবু
থুংলায় ভোয়না কৌজরি ।
ঈমাগী চাকলুক খায়রাশি
নমহুই নিংথৌ শিংবগী,
থুংখাই চাব পায়বা
মীতুং ইনবা কয়াদ
মমিত্ত শেনবু চাইশিল্লি ।
চিরোল পাওবু তমহুন।
মশাগী ওইকবা ভাল্লিবা
মৈতৈ মচা কয়ানা
লৈপাক ঈরাং থৌহনবা,
মীখা পোনবা পামজবা
থাবল থেনবা কাওনুপশিং

রাশক পৱে চম্নিবা,
কুমওম মশীং শুরক্লে
উংলসি মৈতৈগী থৌনা।
ঈমা অমশুগী মচানি
থওহল্লসি মালেম প,ম্বদা।
লমহুই নিংথৌ ভাল্লশি
লৈপাক শান্তি কংনবা।
শুক্ল মল্লবা থাঁশিগী
থোঙ থাংকম থওল্লবা
লম্বী চংপা কয়াগী
ভুং মাঙ উল্লবদা
থম্মোয় শোক্লা তেংথাহনা!
ঈম্নং ওানবা ওাইবদা
কম্বী থকী লেমলৈওম
ওম থোইন থাওজবা
প,ওকা অহু মৌরবদা
কনানা থিংবা ওমদনা
অমম্বা কিজও হাইদোকুনা
লোংপোক সনা অরাংবনা
মালেমদা লম্বী ভাক্লবদা
অমম্বা অক্লিগী অবাবা
কাওথিজো লম্বী চংপনা,
মৈতৈ ঈরম লমদমদা
ঋত্ত ,ক্লবী শা,মহুনা
শ্রীশ্রী গৌরশাঙ চেল্লবনি,

লমহুই মকোক কল্লগা
মৈতৈ কংলা যাইবুঙনা
হৌনা ঙঙনা থৈরগা
সত্যগী নিংথৌ পানবদো
করম্বা পুঙজা থেনকমদা
খোল্লগবা হায়হুনা
কংলৈপাক্ল চাইজবা,
নপাম্নি পাঙল চাওরক্লে,
নমোমত্ত শারেপ কারক্লে,
মালেমদা নঙুন শক্লনি
ঐমাগী শান্তি কংলনি।



ইম্ফাল সহরদা

থাম্নন মমাংথৈগী কৌহুনা
মৈতৈ লৈপাক্কী সহরদি
চসিগী ইম্ফাল সহরনি।
ইম্ফাল সহরদা তিল্লিবা
অচৌবা কংলবা মীয়ামনি।
মেংখি মেংখিবদা মীংথক্লবা
অমংবা পোংকী মপৈ
চেক্লিবা সাক্কীগী মশাঙ্

করাম্বা থীবা তম্লগি ?
চাওখৎলে ওসিলগী মীওই
কংবা লৈতরে অরাবা পোং,
য়োল্লে শক শেঙ হিদাক
মচু মচুগী রং শঙ্গলবা,
ওইনিংবা মওংদা ওইনরে
শিগনি হায়বা কাওনরে
অঙকপা কংনা হুংহাইনরে।
অহুবু অরাবগী অরাবদি
চংলিবা মীয়ামসিগী পুকচেল
করানা খঙবা ঙমগনি ?
করাম্বা শারি শিংথৌ, মহারানী
কনা অমনা শারি চাকনিবা
কনা অমনা শারি লায়রবা, অঙাওবা
মথল মথেল কয়ানি।
মরাই থাজতুনা চংলিবা
ঐনা মতেল্লে, ঐনা মতেল্লে খল্লুনা
ময়ুম রুম্ফাল লৈপাক্তি
ঘৈথৈ শিংথোনা পাল্লখী,
অঙবা মরা চৎলখী
ভসি কৌবা নোংজদি
অঙাঙবনা চাওনরে,
অমনা অমবু কিমত্রে,
ঐজাং মশেন হাৎনরে।
তাজা চারে খল্লুনা

লৈতাক পাবরা [illegible]
সজর [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] পীহনা
[illegible] [illegible] [illegible]
মৈতৈ অমিওই [illegible] ।
[illegible] [illegible] চৎনবা
মৈতৈ [illegible] [illegible]রে,
[illegible] [illegible] [illegible]রে ।
চেকথোক [illegible] [illegible]
[illegible] তেনবমি [illegible]
[illegible] [illegible] সেংথরি ।
মৈতৈ [illegible]পাকববশিং
[illegible] [illegible]
মৈতৈ [illegible] মৈরে ।
[illegible] [illegible] [illegible]
শাইদাও [illegible] কথা
মৈতৈ [illegible] [illegible]
লৌসি [illegible] ওইরে ।
মৈতৈ [illegible] [illegible]শিং
[illegible] হেনগংলগী [illegible]রে
[illegible] লেঙ্গী [illegible]রে
[illegible] [illegible] চিনংলি ।
পোংদর [illegible] ইচেমশিং,
ঐখাল [illegible] থমিওদা
[illegible] [illegible] [illegible]শিং

লৈজত্রবগা থমকথলে ?
মৈতৈ' সনা ঙিকথেনদা
লাইদাংঙবী শাহুনা
কঙ্গিনী' লৈরি তুমিন্না
'মৈতৈ চনুশি মঙোয়শু
মযাম' কপু মহৱশি
মঙোল' লেপ্পু কৈথেলগী
লুখোরগী কমকমদ লৈবনি
মৈতৈ সনা কৈথেলদা।

'পীরগে বিদাই'

শৈশৌ ঊশৈ শকলুবগী
ভমধীরবা কয়াগী থুত্তা
ঊগী' লৌখোং চেনশিনবা
থাত্তু নঙ্কা কেনত্রবা
কংলৈলপাক্কী ঈতিহাসতা
সনাগী মরেক্না ইহৌরনি।
স্বর্গগী পুন্স লম্বীদা
খোঙসাব লাওনা হাংহনা
ভয়াম ভয়াম ওকলম্বা

ঈমান্না চিঙরি ঈখুদা
থৌংদু ঈমা ঈকৌনা
কাঙ্গল বিদাই পীরগে
চৎলোকো অথৌবশা,
ঈমাগী ঈবুংঙো থুংশিবশিং।
জয়, কণ্ঠদেবী জয়।
জয়, ঈচাশিংগী জয়।
বাঙ্গাল ঈলৈ পান্নগে
থম্বাক পেন্না চেংথাগে,
পারাশিংগী ভুমথুল কায়দনবা।
মায়কৈ পূবদা নিয়রি,
খা চৌকুনা থাওনরি
অরা পাউবু তাবদা
থখোয় থুহম শুনরি
কোঙদোকপদি ছবদনা।
নৌরবা ঈচাশিংগী
শেংলবা থখোয়বু
মচেৎ মচেৎ থুগায়রি,
করম্না থাংহৌনি ঈমানা ?
থংপা চমদ্রনা কৈরেংনা
পীরগে বিদায়,
ঈচাশিংগী লম্বীদা
অপনবা নৈতনবা,
চৎলোকো চৎলো.
ঈমাগী বিংথেথখোর

চৎলবো; চংখোক্কে
ঈমাগী খবায় মশিখোয়।
করবা পুন্না লেককমাসদা
কুমশিং কয়া শুক্তা লাখ কোয়া
খোঙদা য়োংকী কাজুর
খোকপীরমথ' চৎলবরা মহৈলৈপাক্তা?
পাৱী চাওদ নাঙকোনঙ
ইমোম শাংদ নাওয়োকচ
নোংম কোরৌ মুমিত্তা
পাবা শাংপঙী মুংঙাইবা
ইমোম পোকপী হৌওবা
মীংকুপ 'সিংদা তিনশ্রবা অমমলৈদা।
করি মরাল লৈহনা ইচাশিংগী
তেমশী-বীরিবা অহংবা কয়ানা
লাইবক থাবী লায়রবী পলেম্না
করি হায়'নি ইচাশিংদা?
মীংলুদা প্রেমগী জরা উহৌ
য়াংদৌ লৈদ তিন্নুক্কা চেংরঙুথ
ওয় খোইনা থাঙতৌওগেকো।
তুংদা লাকপা ননাওশিংদা
তুংগী লম্বী ত'কং কউকো।
ঈমাগী মরবা চবৈনা
ঈথাদা চেংনা কোন্দুনা,
থম্বোয় শোকপা রাকৈনা,
পেম পেম কোহোথগে

ঐমাগী ঐবুঙোদা সুংশবশিং !
"কর্দগী চৎলি তুমিন্ন ?
"অঙাংশি লাওয়নবো জয় ধ্বনি,
ভাগ্যচৌশিজ্ন মাদেম্ব শীন' থুংনা
চমথংলমবো তুংগী মৈরা।
শোঙলবা নারক,
শুক্রবা লোকপুং,
পৃথিবী মাতাকম শুইস্রবা,
কময়া থাঙচৌপনি ঐমানা,
যৌবংগী মুঠোইবা থাদে তুনা
কম্পদা মানা থাঙ্গ্রেবা।

অনৌবা চহিদা

বাড়ৌগী কাডানা ভেক ভেক
চংলি কনাদগু তাক্লুমদনা
কবিগু থংহৌদে ঐদি
চহি অমা লোয়রক্লে।

অনৌবা চহিগী হুংহাইবা
অনৌবা নুমিৎশি ঙসিদি,
হরাও' হুংহাইবগী ঊরাংখোল
মায়কৈ পুশা নিয়রকনে।

শাবী শানৌ কয়ামা
অনৌবা খুদোল ওয়রে,
হরাও মখোই কানয়ে,
কয়াদা হুংহাইরবা নুমিৎলো!

থাখঙ্গা উপ্রবী ঙমা
অচিকপা মকমদা কমহুনা
মীংঙু ঊয়া হোহনা
চিঙ্গা' পোংলুম পুরি।

মিশাইরি মাগী থম্মোয়
ভুথক ভুথকই মমৌৎ,
অনৌবা নুমিৎ অসিদা
মথুঙ্ক খোর্জেই পায়হুনা।

অনৌবা চহি অসিগী
অহুঙ অথোক্কা হিসাব,
কয়া য়াম্না কাপকদবা
কয়া য়াম্না হাংনপদবা।

ঔরাঙ কয়াম থোক্কদবা
বন্দনা কয়াম কৌগদবা
কুপ্প নৈনবি মথন্তু
লোম্না কপ্প চুম্মি।

লমচৈং চেংনা ঊত্তশিন্দুনা,
কয়া অনৌবা কিজেং,
কেনবা অনৌবা চংনবী,
মরিরা ফুংবা শকুম,

রাজ্বা ৫সিগী জগৎ,
মিপাইরবা মীওই' সমাজ
ভমথীরবা মাহাং মীপুল,
অতেকপা থোদোক কয়া,

অনৌবা চহিনা য়েংনবীবরো;
ওনবীবো অকবা ঊচেলদা
তিলঙনবীরো প্রেমগী ঊপাক্তা
অনৌবা চহিগী ঊরেন্দা।

৵৺৶৷৸৹

নিঙশিঙ খুম্নই

কুমথুন চুপ্পা মীনায় মৌংখিলিং চাউবা
ঈমা মৈতৈ লৈপাক্কী চুসি [illegible]
নোংমদোল থেংনা পাইরিবা নিংথৌ "[illegible]"
শহিদ কয়াগী থবাক্তনি, মখোল য়াম্লবা।
চুসি নিংশিংলকই নৌথৌনবা [illegible]
তমথীরবা বৃটিশকী চীংহাং চৈথেংনা পুন্না [illegible]
লিপা থোক্লবা লানফমদা নোক্ক [illegible] য়াখিবা,
থোঙকম অমা হোংদনা কাঁসি লাপাই কাখিবা,
বৃটিশ মীয়ম বায়েল কাঁসি ছকুম কৎখিবা,
নিংথমবা লৈতনা নোক্ক য়াইবা থবাই থাখিবা,
কৌব্রবা থৌনা কব কয়াগী [illegible] মথৌনা,
খল্লবদা ঈকৌরাক্ক প্রেম' লাইভং। [illegible]
বৃটিশ হেক্কোল চৈথায়বদা কালেংবা লৈরবা
মীনায় মিংথোল কোক্কবা ঈগী বলিদান কৎখিবা,
মৈতৈগী শিংলি থুদিংদা ঈচেনন কেপ্তনা চেল্লিবমথৌ
মীথা পোল্লোই মৈতৈনা, মৈতৈগী পোকপা মচানি।
বোম, তোপ, নোংমৈ গুলি মরক্তা
খংহুতন' জগোয় শাহুনা মবৈবাকপু চাঁকখিবা
য়েক্কবগী মকমদা ক্রুদগী চৈথা কববা ঙসৌরনি।
মীহুংশি খতবদা লৈবাক্কী [illegible] লৈবা [illegible] থপোক্লি।
দায়জবা, চঙজবা, [illegible] ।
তপ্পগী অহুমতনা [illegible] থম্মোয়দুরি।
মীথা পোলবা হৈতবা [illegible]।
নোংপা কয়াগী [illegible]

থীর কয়াখী হৌকবি [illegible]
ঈনা লৌথোক চেন্নুনা থীকপ থীরাঁখোল চনবিবা
মৈবৈ ঈপা ঈপুশিংবু [illegible]।
লম্বাংলবা মালংনা [illegible]।
মৈবৈ ইতিহাস [illegible]
সনাথী মযেক্রা মুংনাইবা [illegible] মযেক [illegible]।
য়েংবৌরকউকো মোংম[illegible]
লৈ[illegible]
থম্মোয়থী [illegible]
থৌংলুথী পির[illegible]
কচ্ছবি অথৌবশিং[illegible]।
পীলবীয়ু কৌশিং [illegible]
ভুংনা লাকচবা [illegible]
পলেম ঈমাথী [illegible]।

লোক্তাক

য়েংহু ঈমা কয়া [illegible]।
লোক্তাক [illegible],
য়ে[illegible]
[illegible]
লাইক [illegible]
চৌংথাং [illegible]
লাইর [illegible]।

যুগ কয়াগী মিংশেল কয়ামক
য়েংশ্রবত, উকলচু শৈথাক্লবত
শৈথক্লবদু লেপ্লইবা কৈরে, লোম্ভাকী
লাইজবা ঈথায় চোম্লদু নিংথিরবা
ঈয়ায়দা চাংজুম মচা মচা কয়াদা
ভুমিন ভুম্মিন যৌকক্রন্ত তোরবা খংম্নিগুম
মুখকী অ্যনোবা খোঙফাংদু হাইবা।
চরাংবা লোম্ভাক ভুকী ঈশাক্লী,
হৈকক্লা শৌম্ভি শাবক্লনি,
লোক্তাক ঈশৈং মপালবা তোংজেম্মাকি,
কেংগ থমং শাংগু, মোইরাং থমংখোং
ঈশা মপম্না ঈতিল্লিবানি,
তীর্থ মপাং য়াম্বানি,
রাস্ত পাদবা লাইরেম্বীগী লনগৈনি।
লায়র-চুদংনবী পলেম কয়াদা
হিংক্লা তোংকুমা লেমলৈ ভাবু কাইরেদো
পান্ত্র লংলবা ঈপাক থক্লা
নামিবা চৈথেঙ কংবদা
ঈথক্লা থেক্লা অগোয় শাইরেদো,
তাংলৌ থেংনবা অহিং কয়াদা
কৃমশঙ খাংপোক মচা মচাদা
বাংলেন মতং ভুমখুল ভানরৈজেদে,
লাই ওই, মীওই হাকুক্ত অমুরা
থাক চহু তোরোনিত্তু কাচনা
কংলাদা য়াম্না, অর্থ ব্লায়রেজো।

করি য়াদো ? পাখঙবী শনাইরেন,
ইপলগী লোক্তাক অইরোম
কংলাগী পুংজাও মৈখুম তাখৈরো ।
নিংথৌগী তরোম শিজা চন্নবী,
থাড় চহু তোয়োবিগী খেশোয়না;
মাওরোক মাওকোন নিংখিবী
লায়র পুজি করাম্বু 'যোকপীবী;
থৌজাল হৈবী লোক্তাকপু কাওখিদে,
লোক্তাক পাং-ও ছুংশিবী ।
কাঙজরোইকো লাংওন খুদিংগী
ঐখোয়গী থবায়দি লোক্তাকি...লোক্তাক ।

'তেংথাজবা'

মরুকখোগবা মায়চৌশিং
মতম কয়াগী মমাঙদা
কংলৈপাকী নিংখিবা
চৎনরোল শাজং কম্বা
থবাই খুবাক্তা হাঁপচুনা
অবা অনা থাঙখিবা
কংলৈপাকী পায়ৌশিং
লমদম খৈদা থুগাইবা
লমজীং থৈবা পাম[illegible]বা,

মায়চৌ ভুংবু ইম্নবা
কংলৈচা নহা অখোবা
লিশিঙ লিশিঙ চোংথোরক্লে।
ফাঁসি খোরি থুরবা
মায়চৌ অখোবা কয়াদি
চাংঙু খোংনাং থাবনা
য়াইবী কনখি ভাজেদো।
লুপক্লেদো মঙমগী ঈরোম্নুংদা
কোয়না চক্তুনা খিজক্লই,
ফংবা কৌবদি মরৈক্লে।
কংলৈচা নহা খাঙবৌবা
অচুম অরান খিঙনা
য়াইবী থরাই মাঙখিবা
নোংমৈ শুলবু মিঠাইশুম
মীকুপ খুদিঙ পীজনুনা
খাংঙু থক্সা কেমখিবা
পলেম কয়াগী ভেংথাখোল
মাথকৈ খুদিঙ নিংল্লবশে
ভাবীনবা নৈক্লবা সমাজনি।
পুঙজা খেনকম ঙাইরিবা
মায়চৌ ভরেং কুংশিবশিং
য়াকায়বীরকলো হা
য়াকায়বীরকলোগবা।
লমজীংবীরকলোগবা হা লমজীংবীরোগবা।
নিক্লরে মীপুম খুদিঙমক
তপক তথক্লরে !কংলৈচাশিং
করি থোক্লগবা থনবদা।

কোলোয় মিংলেন হোংহুনা
শায়োল কয়া ওন্দুনা
লমদম কৈদ চাঙ্কবা
পোইরৈ কৈদ য়্যারেকপা
কয়াম কুইনা থুপ্তুনা
পাম্নিশিং তুম্বা ঙাইরিবা
নমোমশিং লোইখিবা য়েংবীরিবা ?
ওক্লে মায়চৌ ঙরেংমক
মীকপ থোক্লো ঙসিদি
খুংলাম তোয়না কৌহনা
কাওকক্রবা নখোয়গীদমক
হন্না হন্না তেংথাজরি।

'পল্লেম নঙবু কনানো ?'

অঁহিং ভাংলো থেঙ্গলবা
মীচিক মীরাওখোল ত'দ্রবা
মালেম পুম্বা ঈ'গ্রবা
অহিঙ্গ ঈচিক হুনগ্রবা
ভাংলো নৈন থেঙ্গলবা
শারেঙ্গ লাবা চিঙ্কবা
মানবী চিরেল ফংদ্রিঙৈ

চিখৈ ফিত্নপ অহুমগী
লংদিং মচু কংঙ্গিবৈ
লাইরেন লাবা য়াওনঙ্গিবৈ
অকিগী অচিকপা থুগাইহনা
মৈতে কংলাদা লেপ্প্রনা
পারি ইমোম কৌহনা
তেংথা ঈশৈ শক্লিবী
পলেম নঙবু কনামো
নশম ননা ইকা কা
মীংলু নাপোম ঈরা হো,
খুদাং পীকম তৈহনা
অরা শকলোন পুরিবী
পলেম নঙবু নুংশিবী,
চংগ্রসন্নু নপারী নোংশা কয়াগু
তিনপ্রসন্নু মত্তমগী ঈরেংলন্নুংদা।
পোকখিবনি নৈবাকসিদা
তিনখিবনি কংনৈশিদা
শীনবীয়ু ঈমা লাইবক ফবী,
তুংদা লাকচবা নচাশিংদা
ঈগী বলিদান কৎপা চক্সা।
থোবসন্নু চিঙ্গলায় মাগী থোংন্নুংদগী
শংলকশন্নু অন্নী, চীঙ্গাও ফুক্লবা,
থরাযনা চেপ্লৈবম শীদুনা
নোক্ক মারয়োক য়াঙ্গগে,
পলেম সেবা কংঙ্গগে,

পোকপগী মহৈ য়ামবা
নোকপীরো ঈমা মোমোন মীনোক।

তাইবঙ লৈরাং

শাংহৌখিনি লৈরাং কয়াদি
লৈশক লৈচু হোংলবশু
উপালনবু ভেক্তিবা মখৈদি
যুগ যুগ খুদিংদা
তাইবঙ লৈরাং পুক্সিদি
থরায় চেক্লান। পাট্রবদা
তাইবঙ মীনম ঈপাকসিদা
ককচাং পোল্লাংনা তাহৌনি।
অক ফত্ত খঙদনা
মালেম লৈমায় থক্তা।
মুংশিবগী লীপুল কয়ান।
চেংনা পুনবা লৈপুম্না
খোয়ুম মাগী খুংশেমদা
ভাইরি কপ্পা নোক্না
হসি হয়েং হায়রুনা
মুমিং অহু ভাইরুনা।
শমু নমদা পোরিবা
নোংমা শোয়দনা খোক্লগদবা

কাওবা য়াম্লবা ইথৌদো
কাওরি মীওই মপোক্পা.
অঙাঙ অঙাংবনা চাওনরি
য়াঙাঙ কঙ্জ'ও হুনরি।
ঐগী মীগী থক্কয়হুনা
অঙম্বা শকপা তাম্নরি।
মতমগী শকহেনবা পাম্থঙশা,
কাচিন্দা কেলোয় শারন্থু।
করি য়েংলি লমজাওদা,
লম্নী চংপা চংপীগী
মীশিঙ হিসাব থোরিবরা?
কোয়ন কোয়ন চঙ্‌না
পোঙ্গাল মশীঙ থীরিবরা?
অকে অমৌ তাম্নরিবরা?
হিংন•বা চানবা চেঙ,
হিংমনবা শেংলিবা শি,
মোংম নোংমগী,
অঙুম অঙুম,
ঈপাল থাগী নোংচৌদা
লাইজ মানা ভুরেলগী
চাংকৌ ঈমায পাহঙুম
অকক্লবা মমল লৈরক্লে।
তাইবঙ খোঙচং অরোইবা
কোম্লৌ অহু ঙাইবদা
চাদবদা চানি হাপ,

শেংতবনা উরাং শেং
রানা খাঙগনি মীওইবা।
ভুংগী লম্বী য়েংহনা
মীৎকুপ খুদিঙ লেপ্পুনা
তাইবঙ ঈথৌ পাঙলশি
তাইবঙ লৈরাং পুক্সিদি
মীৎকুপ অমদা লোইখিনি।

অঙকপা থৌদোক

ইস! কম্বিনে; ঈশ্বামসিদি ?
উক্লবা মীৎকুপ অহুদগী
কাওবা লৈখিদে ঐগী খঙ্গোয়না
মতাক অদু ঐগী শকথংদবা মরূপনি।
খোঙ্গাং শুত্রবা রাহৈনা হায়খি
ঐ ঈ....শিং.... ঈ....শি....ং.... থক্কে।
কয়াম রাংলি ডাক্তর ডাক্তর ?
তারি ঐগী নাকোংনা মীৎকুপ খুদিঙ
নোক্লম্বী মীৎকুপ অমতং
লৈরানবাঙম লৈঙালক্কা
লাওরম্বী অরোইবা মীৎকুপতা
কংলকউকো থবাম নিঙজম্বা লৈতনা

খোঙ্থাং য়ৈনা কান্নূংদা ।
তনৌরবা অঙাঙনি মহাক অহু
ঈঙাঙ পাতক্লখিবা ইমু পামফেলনখিবা ।
মক্লপ নঙবু মুংশিবা,
থাবল লক্না থোক্লকউ,
লৈচিলক্না পাইরকউ,
নঙগী থোনাগী মংহশে
অমুক্তদি য়েংলখো ।
অরাংদা থোকপা ক্রুবগুম
মৈতৈ লম্বী তাকলমখো
খোনা ঈরিক যেল্লখো ।
ঐগী মীংলু পিবাংনা
হন্না হন্না শিন্থির
লোম্ন চংলি থম্মোয়দা
লোন্নোক্তবা বাহৈনা
পুন্সি হায়বসিবু অসিবা ? অসিরা ?
অমুকশু নোকপগী অরোয়বা খোঙ্থাংনা
চংলে ঐগী থম্মোয়দা
অসিরনে, পুন্সিবু অসিরনে ?
পুন্সি হায়বসি করিস্থু নত্তে,
তিশি লিশিঙগী কোক্সোকলক্না
শুপ্নগী মীংকুপ অমত্তনি ।
পুন্সি হায়বসি তেনবাননে, তেনবা
কয়াদা তেনঙবা মত্তমনো
মীংকুপ অমদা থাগ্রবা থরায় ।
উনা উনা পাইগ্রবা ।

মপাঙ কনা রাওদনা

মশা তেকগ্রবা পোঙ্গী অমা,
খাস্থা নংহোত্রে মীংকুপভূদা ।
নিঙমদবা মৈরীহ্ মঙম কুইনা
থম্মোয় নুংদা ফুমলকাখ ।
কুইরবগী তুংদা নোংম উখি,
ঐগী চংম্নরবা মঙলান্দা,
নঙ ঐগী কায়ন মৈরীনা
চামপোকগ্রবা তাঙ্গোয়না কুপ্লবা
নৈকোন্দুদা শম্বল রাংম রাংমদা
পিঙ্‌ঙ জনোং হাপকে তেশাশ-লিবা
মরী লেবা মীংথেংকুগী পাওথুম
কারনা ওয়বা ঐদি খঙদে,
বানা খ ঙখি, রানা ।
কুংগুন কয়া হৌগ্রনঙ
চৈখারোল কোঙ্গায়না কোংগ্রবঙ
মালেমগী থম্মোথ মশুঙদা,
আরবা মক্ক জুল্লগা,
অংৌবা পাম্বী হোবকখিন ।
মকুপ নঙুগী আগ্নংা
শান্তি ওইনা নৈংবা
তংইনঙ মালংদা নে প্রুনা
কৈরাং খুজোক পাযহ্না
কচ্ছগে নঙগী নিঙশিঙ খোঙক্ষমথক্তা
লৌশিনবীয়ুকো মকুপলোয় ।

কায়রবা থম্মোয়

মীংকুপ পূঙজা খুদিঙদা
মাগী মীনম বাইহনা
কুপলম্মী মায়াগী লাংগুম
কায়রবা ঐগী থম্মোয়নি।

মঙলাক্লরবা ঐগী আশা
শাম্লবা ঐগী মীংয়েং
পিরাং ঈহৌরবা মীংস্না
চেন্থরী মাগী ঈচেন্দা

সুংশি তোর্ব্বান্দা লেপ্তুনা
পুন্সি কীয়াঙ য়েংলুবদি
নিংখায়রবা রাখলগী হিদেন্দা
মাবু ঙাইবা তাপ্রেদো।

ঙাইরি ঐগী পুক্সিনা
সুংশি ঈশৈ শক্তুনা
চংশি ঐনা কঙাওনরবা লম্বেলদা
নিঙশিঙ- নিঙশিঙ কপ্তুনা।

য়েংন য়েংন উঙমদা
চাক্লবা রাখলগা ঈরোয়নরে,
শৈথাং শুত্রবা থম্মোয়গী বিনাদা
লোম্ফোক্তুবা ঐগী খোর্জ্জেনা,

করম্বা শৈশকপু তম্লগা
নঙনা ঐবু নিঙশিঙবীগনি ?

ঙাওরুই ঐতনা রাখলগী মঙলান্দা
ঐবু লাম্না লৌরবা ?
নিঙঙমদবা থম্মোয়দগী শেংলবা
মরোল খোঙ্রবা পীরাংনা
হয়-হয় চায়গা
হেয় হেয় ময়েক লায়কই ।
ঐগী মীৎলুগী ঈরাদি
নিঙবা কায়বগী স্বর্গদা ভিনপ্রসন্নু
নঙগী মীনম রাহৈনা
চিংখায়রবা ঐগী থম্মোয়সে,
মচেৎ কয়া ভাপ্রসন্নু
খাঙঙমদ্রবা ঐগী থম্মোয়না
মৈরী হুংদা কুমহুন।
কুমজা কয়াগী ভুংদা,
পোকখায়রবা মৈগী চীংঙুম,
মচেৎ মচেৎ ভাহুনা মাঙপ্রসন্নু !
রাবীনবা লৈত্রবা মশাগীভা থমরবা
কুনগুবা ঙসি শদাব্দদা ।

লোমী অমস্নুং কৌ পাম্বী

চিংজিল মতম ওইরক্লে
লোয়রৈন্দা মনগী পাবোং
মাওদা থাহনা,
খুত্তা লাক্কোক পাম্বনা।
অমর ভি, ভি, লাওরক্লে।
ঈঙাবু চঞ্জলক্লে
খুজং চমু ঈচলশিং
পজেম শকপী ঈমাখোয়
খজি কৈদোম তাহনা
হয়ি; মমূক লাওহনা
খুংলঙ কোয়িঙ চংনরে
অক্সা ছুইদোম লাংনরে।
থন্নাল লাংবন য়োবক্লে,
কৌনানা ঈথক কৌরক্লে
মালং শাউম কংবদা
লেঙ লেঙ চংলে কৌনানা
অশংবা কৌরাল মরক্তা
উথুমনা ভুমভুম থোংজক্লে।
লোমীগী থমোয় পেক্করে
কৌ পামজনা ময়মরকই,
'হমক্তা লোমী অশিমা
বাখমল মাইহ কাংলদি,

কো পান্দী ঐখোয়গী
পান্দোং মপুং ফারেদো।
কাউগন্নুকো লৌউবা
নখোগী চোংলবদি শোয়দনা
নোংমা নাচিন চোংকনি।'
অসি য়াদি তাবদা
লৌউবনা খুল্লকই,
'হায় -কৌবাল লাইরেম্বী
ঐদি লাইরবা লৌমীনি।
ঐগী ইয়ৌ লৈজদে
লৌশান ওন্না পীখিনি
ঐগী কাওরেন লৈজদে,
যনশানগী ' খিনখিনি।
ঐগী কয়ি লেমগদি'গ
লৌমীনা লৈখোম তৈরগা
চাবা ফংদে, ইচাশিংনা
ইনাক খুনবগী মুপীনা
নোকক্লেং নোকক্লেং তৌহুনা
মরল মথুম পীহুনা
কৌবু লোইনা পুখিনি'।
ইনাকঁ খুনবগী মচানা,
শেন্না নৈন চাখিনি।
লৌমীগী পূঁজি তোল্লিদা।
লায়রবগী পূজিদি অৱাবনি
ওজবগী মহৈ ফংদে।

ইপাঙ্গলনা কেমলগা
চাবা কংবদি মরৈরে ।
কায়রবা লৌমী ঐখাক্তি
নাঙ্গলদা ঈকুম কায়গৎলে
কুমজেং কোককায় ওইরেদা
ঐগী মুমগী শকহেনবী
ওইগী লৈতেং ওইবাদো
লৈকায় পাখঙ অঙাওবনা
খুলঙ ঈশৈ শৈখানৈ
লৌরি চৎপী কিঙাঙ ইনবী
তাদ' কৈনো ঈতৈমা ।'

লাইরবী

লাইরবী, লাইরবী, লাইরবী,
মায়খোঙদা কালি য়ৈরিবী
পারঙা চরৈনা মমদা কুপ্লিবী
মশম মনা ইফা- ফা
অঙাওবীগী পাঙমঙুম
মায়খোঙ লৈদ লুকলিবী
ঈমা নঙবু মুংশিবী,
সভকী চিদাইদা লেপ্তুনা

নাচিন্না মূক্কম মূক্কম শোল্লিবী
ঊমা মঙুবু কনানো ?
পলেম করিগী বাঙ্খিবা ?
খঙলে পলেম খংজরে
লাইরবীনি, নঙদি লায়রবীনি ।
হিংবা রায়বা ঙসিগী সমাজনি,
অকনবনা অশোনববু ভুহংপীরি,
ঈনাক খুনবনা লাইয়ববু চৈবীরি ।
করম্না খাঙশিগে ভুমিম য়েংহুনা
চাথেক্লুবা থম্মোয় কাক্তিন্দুনা
শেঙ্গাও পায়বা অঙম্বশিং ভাবীয়ু,
লাইরবীগী ঝ্যুলিদা দান থরা হাপ্পীয়ু
হিংনবগী লানকমদা মাইথীরবা লাইরবীবু
খোঙ্গালদগী ভান্থোকপীগনু ফু চৈহুনা
মাঙ্খ মীওইপোক্কী মীওইবনি ।
যুগকী লাই ভোংলিবা নিংথৌশিং
য়োনগনু কম লাইর মচাশিংদা
মমল অককুবা লৈতনা মক্তিক্লুহুনা
পোকপা শিবগী বাখল্দা
অশিবা লৈত্রবা ঙসিগী সমাজনি
মীহাংপগী দন্দ রায়েমপুঙ লৈত্রবনি ।
লাইরবীগী মচাঙ লৈরি মতিকচাবা
কম লৈবা ঞমনা ছুই অচাওবা শারি
মরৈ তিংথোক্নুনা হো-হো-চেল্লি
অপনবা লৈতনা কেয়া মদান তম্না

শোয়দনা চিক্কদৌকি, খৌরিদা,
হঙ্গাম মপুন্দ লুপা অনি
B A. গী কম অমদা লিশিং ১০
অকুপ অমং ওয়ুরা
তাক্ক কিনয়রক্ক লৌশংগী মমিঙ
মচাক্কিকক নৈমসময়া লৌকা থিবা শেল
লাইব্রেরী ঈয়া মচাগী কমগীনি।
ফংলুরোই ঈয়া মক্কম নৈমস্ক
নৈতে লাইরবগী চক্কজক্কম।
অরুবনা মভাইদা চেনবা
মৈতৈ পাউরৌ অচুম্বা
শেঙলবনিনে শেঙলবা ভসিদি।
নৈত্তে শেল, নৈমবা কম
সহরগী' গয়ালাদা শাংগী
শকহেমবী চেনা শাবী গুলাপ
নৈনম চেনবানি হায়হুনা
অথক্ক অহে ভিন্দুনা ব্রাকচিং গুলাপ শৈথাত্রে
নারক্কম শাংগী কেতুকী নৈবাংদি
শিংেল নক্কন শৈথাবীনবা নৈতবনা
মংগী শিম্বা ঘাক্কুনা কেয়োকো।
নৈই অমগী ব্রাংকক্ক লেপ্পুনা
অংটৌ শিংলক লাইরু ইন্নক থুনবা,
কয়াদা লায়ন থায়ুরবা!
পুম্নক য়েংহুনা অহুমক হিংথিসিরা?
মপুগী, অবোইবা নুক্রিং থ্রুইহুনা
হিংনবা হিংথনি কুক্কোসি য়েংহুনা।

মহৌশাগী খুৎশেম

ভালো, ভালো, লুংঙাইরেদা,
নোংপোক মা চাংদোলগী
থাজনা মোমোন নোঙ্গুম্না
অঙৌবা ফিজোল শেত্তুনা
মালেমদ খোঁঙদোই হল্লক্রে।
খোইমু লাব অমোম্না
লৈরাং শাৎকম থিরক্রে
থরো কৌবী লৈরাংনা
মথংলেন থাজ উবদা
মকা কম্না শাৎলরে।
মহৌশা লাইরেম্বীগী খুৎশেমদা
মাগী মাগী মথৌ পাংথোক্লরে।
নোংইন কৌবা চেক্লানা
থাবল ইপোমদা তাওহনা
হয়াও মথোই কাজরি।
মালংগী শাহুম কংবদা
হেয় মথোই কাহনা
চেক্লা নোংইন মহাক্লা
শাগল ভুক্কাং লিক্কুনা
কোইপাই পাইহনা শামরি।
ভাইবঙ মালেম পুম্নমক
লুপা মহি চেনবঙুম

অঙৌবা ঈথক হৌহল্লি ।
অতিয়া মকোয় শিন থুংনা
লৈচিন মপৈ মপৈনা
চেন চোংহনা শান্নরি ।
থরানমিচাক পরেংনা
ভঙ্গুপ ভরেং ঙানজরি ।
মাগী মাগী মকমদা
অহিঙগী পোন্থা ওইহনা
উপাল বাপাল খিবিক্লা
তুমিন তুমিন লেপ্তু,না,
মপূগী খোগল ভৌজরি ।
লিরি ছুম্বা মালঙনা
তাইবঙ শিন্ন কোয়হুন
খোইমু, লৈরাং কয়াগী
চিরোল রাহৈ ভাকুরি
অহিঙ নাওশুম ভম্পাক্তা
তাইবঙ জীব য়াতারি .
অরা কোঙ্গায় কাওনরি
অহিঙগী ভাম্থা চানবা
কৌজেং হারৌ কয়ানা
লাও খোংনা শৈশক্লি ।
তাওবা হুই কয়ানা
অচিকপদা তেংথারি ।
প্রকৃতিগী থুংশেমদা মাদেম্না

হরাওনা মথোয় কাবি
সুংজাইবা ঈথক হৌরি
তাংথক নাইরবা খুংশেংদি
মহৌশা লাইরেম্বীগী ।

পুয়া ৱারী

য়েহ্লোইগী ৱারীনি
মা লৈবাক মনিপুরদা
ইহান হান্না খুনাবা,
অৱাং কৌব্রু অম্পপা,
লৈমনাই খুন্দা অহানবা
পোকখৈ লমদম অসিদা
ঈশিং ঈচাও থোক্লুনা
নোংপোক-চীংশাং কোয়দুনা
পলবু থিংবা হোৎনখি ।
মতম অসি মতুংদা,
‘কেগে মোইরাং লৈবাক্তা,
থংজীং লাইরা নিংথৌনি ।
থংজীংনা অৱাং লৈখেদা,
অম্পপা কৌব্রুবু থিরেদো,
লাইনিংথৌ কৌব্রুগা উনখিদে,

কোন্ কৌবী ইবেম্মদি লৈরম্মী
মতৌ অম্মম ভৌহ্না
কৌজ থেঙ্গাং অনিরক
থোইনুম অসি উনখিবে
নোংম কোম্মো নুমিম্ম,
থাবিদীং থাকৈদ সেভকাঙ্কু,
কুম্মি অাস মক্তাদা,
থোইয়ুম অসি উনম্নে।
কৌব্রু লাইম থাংজাংবু
লাম্মী হাথিল থনমম্নে
মচা চবুংভো লোয়রাঞ্জা,
ছুকোম্মনা কৌব্রু কোম্মু থাইনরে।
অরাং কৌব্রু অম্মূম্মা,
ঙাথচক্কু ভাগোর ওইদুনা
মথম্ময় নোংপোক ওনথম্মে,
কোন্ কৌবী ইবেম্মা,
মমাই থাবু ওম্নুনা,
থোইয়ুম অসি লাংওন খুম্মিং কায়নরে।

ঐগী মগু

ঐগী গুসি খোমলেন মঙলান্দা
শকথঙদবা অমা উরম্মী অধিত্তসিল,
ঐখোয় অনি পুম্না য়াম্মী শারম্মী ।
করিগুম্বা অমা লোন্না কায়রম্মী,
নংলবা থাঙশাঙ অমত্তু পীরম্মী,
য়েংবদা অকিবা কংলম্মী ।
থাঙশাঙ অহু পায়হনা,
ঐগী মীংনা লমথিংবা
খোঙনা মজুং ইন্দুনা
মকম খঙদনা চংলম্মী
খুদক অসি মতুদা,
ঐবু কাগদবগী ভায়রক্লি,
শেল পাম্বা পুলিস অমা
ঐগী য়াথল ভুং ইন্না
কোয়না অম্নুম চংলুবনি ।
ঐবু মীহাংপিনি হাঁয়হনা
কাগদবগী কোয়ভান ভায়রি ।
ঐবু কাজিন্দুনা থম্মীরি,
ঐনা শেংনা হায়বদা
ঐবু থাদোকপীদু য়ারমদে ।
ঐনা কনা হায়জরবা কাওবনা
ঐবু থীনা হুরম্মী ।

ঐনা শাওহুনা থাঙনা যান্নুনা
পুলিস অহু হাংলম্মী ।
সিপাইরবা পুক্রিঙনা,
থস্থবা লৈতনা,
ইযুম মায়কৈ ভয় চেন্নমই ।
ঐনা য়ৌরবা ইমুংদা
ঐবু নিংথৌ হাপ্পবা
মীনা পীক থল্লম্মী ।
ময়াম অহু উথদা,
ঐদি য়ায়া পাথংঙ্গে ।
সুমিৎ অহু মক্তদা
এবু রাজ অভিসেক তৌবীগে
ঐ নিংথৌ ওইরে,
অঙকপা কংলা মুংতাইরে ।
ঐগী ইযুম লনালা শারজিং
শেঞ্জাঙ পায়বা তইরকি ।
চরাহনবা রাথলনা কিকল্লি
ইতোমতা লৈবা তম্লক্তরে,
ইনাই পাওপূ বৈবু কৌশিল্লি
শেল চানবা শিন্নরে ।
শেঞ্জাও পায়ব মীয়াম্না
এগী খোঙ্গালদা লেপ্পুনা
শাবেঙ. তারেন কংলবে ।
ঐন্দু য়াম্না চাওথোক্লে ।
মী ৫০ গী লুপা লিলিং ১০, ১০ লৌথোক্লে ।

ইন্নভিউ জোরেঙো, গ'আদোকত্রিতৈঙা
ঐগী সকরান কারথোকঙ্গে।
কয়াদা লাইবক খীরবা।
থবক চাপ্পা নংকৌহজ্ঞ,
ঐগী আশা কারথজে।
শেল খোবা লাকপর্না
ঐ মপাল খোজঙে
থরায় মাজনি কিজবনা,
মজম থয়া নৈরণা
ঐবু কাজুলা পূরম্বা
খৌরিদা জোগ্নেম অবহুলা
শের্দা ংজ্ঞ, দারুংবা।
পাখত্রুনা ঐর্থা কমা
কপ্রুমা থবায় কনথীবু,
কয়কয় লাউরুখী।
ইযুংগী খীলাজা তারজুলা
মন্নাম চঙজুনা কৌদোক্রম্মী,
এনা মীকপ খোক্লিকপাদা
থর্ক থক ·জিংরুখী
তাইবজ্ঞ ভইবাবদি'ঐ শিরমগানিদা।

শঙাই য়াইপুরী

কেগে মোইরাং লৈবাক্তা
তোন্থু লাইফিং লেম্বনা
নিংথৌ ওইহনা পান্নবী ।
মতম অসি মক্তদা
মোইরাং চন্থু নিংথিবী,
মুরা তোম্থু ইবেম্মা,
মখঙলেন কদেং থঙজমনবগা
লৈরাং লোঙ্গানহনা
খোয়জি মিহুন তমলম্বী ।
থাংজৌংগী শরেন চম্বা
লমলেন তোর্ব্বুং লমজাওদা
লাইশা কাবা চৎনবা,
কেগে মোইরাং লৈবাক্তা
শগোল পাউবু চেল্লম্বী ।
মুরা তোম্থু ইবেম্মা,
মখঙলেনবু থামজখি ।
তোর্ব্বুং শাদানবা য়াওবীমু
হন্না হন্না পাউমেজ্জে,
নোংদম্বগী নোংদমখোম্না
কদেং থাম্বা য়াখিদে,
লমলেন তোর্ব্বুং লমজাওদা,
য়ারৌ শঙাই মতৈ মনাওনা,
তক্লবা লোক্কুং অমদা

মঙুলানগী ৱায়ী তমনদৈ
শঙাই অমোমবু কাহ্নদা
শরেন চম্নবা পুরক্লে,
মতম অসি মঙদা
মুয়া তোমু উবেম্মা,
মপু লাইজিং নিংথৌনা
তালোই শিঙদা চনবীগ্রে ।
কদেং থাঙজা হনবনা
মশাবী তোমু কায়নবদা,
শঙাই অমোমবু থাদোকপীবি ।
গর্ভ লৈরবী শঙাইদো
লমলেন কৈবুল লমজাওদা
থারা শস্তান লিংহ্নদা
পুক্সি চুপ্পা লেনখিদো ।
শঙাই মাগী কোলোয়বু
য়াইপুবী হায়না মিংথোন্নৈ ।

মাণ্ডখ্রা ঈনাৎ

মৈতৈ ঈনাৎ অচুম্বা
হায়খিবদা কোংদবা
থৌনা কবা কয়াগী
পুন্সি রারো কাওহনা
ঈরাং কৈথেল কাহনা
মৈতৈ ঈনাৎ মাঙহনবা ।

মীতো তম্বা পামজবা
মীতুং ইনবা
ইঙ্জং মশক খঙদবা
খাওবুনাই পাম্বা মৈতৈশা
ঈপা নাৎপু অরিবা
ঈপু নাৎপু অচুম্বা,

খিক্সি য়েংলুসি মীৎকুপ খরা
লমহুই শাজং চত্ত্রনা
হুরান মীৎয়েং য়েংহনা
শেঙ্গাও পায়বা কয়াগী
ম্না থোঙদা তুহনা
শেগাদা ময়োম য়েপ্প্রনা,

করি কয়রু নিরিবা ?
চিরোল তৌবা পামগনু
মাঙলমচৎপু লিংশিংত্র
মতিক মঙ্গল লৈরবা

ঈপা, ঈপূগী, মচানি
কৈদৌহুংদা কাওকদে।

শিদয়াইবু থাবা ওম্বা,
নাদ য়াইবু থাবা ওম্বা
লিংজেল মাময়া মৈতৈনি
মমুং তানা থিরগা
নিঙশিঙ বায়ী তারগা
অশাবা ঈচেল চেল্লকনি।
অরিবা ইতিহাস' লমায় কাল্লগা
থেংনমনি অপুনবা লিচৌং
লৈরমশনি মরোল নাটনা
মচু, মকু, মথেল, মথেল,
লেলেমশনি লংজা তরেংনা
ঈনাং মাঙ্ব্রবদা ভেংথাদে।

'আকাশ বানী'

ঙসি অহিঙ নোংয়াই চবুক্তা
অথাপ্লদগী কৌরকই ঐবু
ইমুং অসিদা ইতোমক্তা
কোয়চং চক্তুনা তারি।
কনা ওইরমগবা অথেঙবদা
মীয়া মক্লগা লাইবা ?
ইতোমক্ত হংলি-অক্লোয়দা

ঐনা ঐগী কমুংদা
তুমিন চঙহনা হিপথজে,
ঙাইহাক তুমথুন হন্নুই,
মঙলান ওইনা অমুকন্থু
হন্ন হন্ন কৌরকই ।
ঐনা মীকপ খোক্তুনা
মপান্দা খোক্লম্মী ।
আকাশতা লৈনা য়েংখংলি,
খঙহৌদনা অথাপ্পদা উরকই ।
অপংবা চৈরেনা লৈতেংই
খুত্তা কোর্ব্বাক পায়রহনা,
এণ্থু চংসি তুং ইন্দুনা
হংজে ঐনা লাইরেম্বীদা
করিনো ঙাকপীখু ইমাও ?
লাইরেম্বীনা হায়রকই
চেকশিল্লু ঊচাপা
নরৈপাক নরমদমসে
পৃথিনা দোলি ওই
ঊশিংনা থাও ওইহনা
খোংনা লাওনা চাক্লি ।
লৈথাক ভূন্না থাঙলনি,
জিব কনা লৈররোই,
মুংথিলদা মকু খোংলনি ।
ও মজলগী মশক ওইরনি·
ঐ লাইরেম্বীনি অঁকাপকী

কুমওন শুরে, মুগ থোরুইরে,
মৈরৈ ইপুমদা হুক্লিহুরি ।
মৈরৈ নিংথৌ পাম্বুরি,
বায়েল্লা ক্যাভি চৈরেরি,
অচুম অয়ান্‌ শান্ননি,
থাজো ভাইবন্ধু যাওইবা ।

'কৈন্দনো'

ঐগী থবাই চেক্লানা
অঙকপা, অবাবা, কয়াবু
অদুরে ঐগী থম্মোয়দা
কয়াদা চাকথবা পাওজেলনো
শিজ্জরক্নি মিৎলু পীরাংনা
লেপ্পা লৈতনা মীৎস্নাদগী
হায়কম থঙুদনা ককপ্লাক্লনরে
তনিব, তনিক্লি ককচাংলে
অঙকপা পাওহ্ তাবদা
অহুবু ! হায়দোকপা ওয়াখিদে,
চৎলবরা অপোকপা ওস্তদি
অচৌবা কিকর খুমজ্জনা।
নৈগী থোরাই তোংঙ্গনা
থাদোকহুনা সারা হুংঙ্গাই

কবি ওইবৌনি ঈমানা
লমজীং মৈরা পায়বীরম্বা,
হল্লকউকো থরায় চেক্লাদি
মৈত্তে পোইরৈ ইম্মদমসিদা।
অনৌবা হকচাং পোলাংনা
ঈমাগী সেবা কংখিসিকো
ভক্ত অথোইবা ওইহনা
ঈ.াঃী মঙ্গল নিবীয়কউ
করিনো খল্লুরগা হায়কম খঙখিদে
খম্মো'য়দ্দি খাঙঙমত্রবা ঈহৌ
খা চিক্তুনা খাঙবা তাখি
মঙাং অহু চাইহনা
থরায় য়াওত্রবা হকচাং
পোল্লাং পুহনা তাইকঙসিদা,
চো ঈমা লাইবক কবী
পীনবীযু নচাশিংদা খোনাকবা
ঈমাগী' সেবা ভোজবা
নিঙহম্নবা লৈতবা।



'ঐগী লাং'

কারা নামা চাহুনা
কি তথায় শেংহুনা
নোংমদা শিকি, শিকি,
শোয়দনা থাদে শেনফুদা
নাইলো। লাংবু লৈননবা
ঐগী লাংজাও শাল্বা।
লাং, লাং, লাং
কদায়দা থাকনি লাং
ঊশিংদা থাকপা লাংদি
লেমলৈ গুাবু কাগনি,
তরেং শেলবু ফংগনি,
নোংমগী চারা লৈগনি।
ঐগী নাইলোন লাংজাওদি
সনা সে'রোক য়াংবীদা
কৈনা, য়ুংনা থাকনি,
মতমগী মিনিষ্টর থুনবা।
জিপ, কার, কানবা,
মথং কোয়ৌ মুমিত্তা
অমুক হন্না থাকনি
একচেঞ্জগী থোঙ্গালদা,
থবক লিংহুনা চত্তনবা।
'ঐগী পৈশা লৈজদে
মতমগী কমথোন কানবা,

লাং থাকে থুনবা
ঈনাক থুনবগী শেলগী
মমিৎ থুরবা লাংদা
থুদবা নৈতে থমক্লা
মিনিষ্টরগী কমুংদগী খিঙলকপা
শেনগৌ য়োলগী ঝারি মখোন্দা
ঐগী কোক ভাওখিদো
মীৎ উইশিল্লগা লরাই ঈশিং থাজেদো।
ঐগী লাং থাক্লবা,
মকম অমত্তুং কনজগে
মমল কয়াম লৌগনি
হায়বীরক্লো অঙম্বশিং
দ্বাপুর যুগতা শ্রীগৌরাঙ্গবু
ইন, লাং খে'ন্দুনা ঝাখিবগী
কলি যুগতা ঐগী লাং
মকম থুদিঙ থাকনি
অচুম অরান খঙনবা
কলিকি ভগবান থুনবা
লাং, লাং, ঐগী লাং ॥

খুরুমজরি

তোল্লবা ননাইনা,
হম হমা খুরুমজরি
তাইবঙ শেম্বীবা ইবুংঙো
পুক্লিগী অবা থুংলাই,
অকি তুম্বুং কয়াবু
নিংহমবা লৈতনা
লাজবা ওম্বা পীনবীয়ু।
পারবা সংসার ঈপাক্তা
চিরোই য়াওদ ঐহাক্কী
কারকখিনি ঈথক চাওনা
শিলকখিনি নোংলৈ নুংশিৎ
মায়কৈ থওদনা।
লমজো:বীয়ু ননাইবু
খুরবা পুক্নি হিদেন্দা
পীনবীয়ু পুক্নি হিথাংকম
তোল্লবা ননাইদি
চিরোল য়াইহেন্থু হৈজদে,
লৌনম য়াকংস্থু খওজদে।
লেংলি পাল্লিবা জীব খুদিঙ
ইবুংঙো নহাক্কা শেম্বাবা তাকনি।
ব্রহ্মানা পোকওমজবা
মীওইপোক্কি হায়নৈ,
অহুবু অয়াবদি

লমকাংলমদা তাইবঙনি
কদোমদা চৎকনি
লমথুংকম য়ৌনবা
ঐদি থঙজদে, থঙজদে।
তথক তথবই ইতোমজা
হুংখিলদা মকু খোংলবস্তু
লংজা কাক্লা অয়াম্বা।
কুরু কেত্রগী লোনকমদা
ঈগী লৌখোক্ত চেনবা তাইহলে
মপূক থম্বা থকখিবা
নিংশীঙলুরুপা মীপাইবৈ,
পুম্নমক তাইবঙ পুন্নিদা
খেংনখিবা ঙাক্তনি।
কালগী খয়াংহুংদা
লোইনা চঙখিগনি,
মতমগী ঈরোলেঙংদা
ঙম্নমক লুপখিগনি,
ঐগী অরোইবা পুঙজা
পুন্সিগী অরোইবা পুঙতা
পুন্সিগী অরোইবা মতম
নোক্লা নোক্লা চাইজবা
পীনবীয়ু ইবুংঙো নংাক্লা
তাইবঙ মীচৎ থমজবা
শিদ উরোংখিনজবাদে
পীনবীয়ু নক্তাইবয়ু
হয় হয় খুরুমজরি।

'ঙাগী মকোক খনবা'

থাজা চীংনা ম্রাইদা থম
লাইজ ঊশিংমা কোয়ব শন
হানৌবা লেচ খেচ চং
লমগী চেক্লা কয়ানা
মপাগু শজু জাহুনা
অরাম খৌয়াং কোক্লবি।
পুজম 'লৈনকম' লেংহনা
নোংমা হুমিং লেপ্পা
লোজাক পাক্লো ঙায়াবা
মিচিং তোয়না কমছুনা
বারেপ কয়া লৌনবে।
মশা কনবা মথিং চংপা
ঙাগী জাংনা লাওনবে
হন্দকী তোটনে ম্রোদা
থয়া অমনা হায়রকই
অনৌবা লাকপা ঙাদদি
এম, এল, এ, ওইহনবা
অরিবা কাগুন্থুপ্পা পামজদে।
মাগী মাগী মোট পীনবে
ঐখোয়গী শরেং, পোরোম,
মচি পানদবন্থু জাং জাং
অরাংপা লৈতে হাঁয়দা লাওনবে
কনাদা ভোট পীপনি ?

কনাদা তিক্লিটক হাপকলিং
যেন তাকা ডমাছে
মৌদা পাকল কনবরী
রোদা শিংহখো হাজসি
হামুনা কম পীতকই
অলোবা চাতোম বীচবুনা
মসি হাদি তাকলা
থায়নবী তাখা মৈপংবীদা
তাপী অতা মমাতা
মমৈ কেং কেং হাইছনা
করি বাহনা তাতোপশা
থওগনবা অতাংদা হায়নকি
মপ্তি পুতলা তাখা হাঙ্কো
তানিকবা মখোলবী ননাঙ্কু
ইতিক ইতুং লৈবীতি
কাওবীগম্ব পীক্রবম্ব
অচম অংখা হায়নরে
লৌশিং শিতনামৈত্তে তাকু
ঔশং কাবা চকুবা পুজনক
তাপী নতাবা বাজকই
তাইখো তাইখো পুতমক
অমনা তাতবা মোমনা তাংকি
হায়না কয়া পীকরুমা
তাতা অশিকতা
গোমতী কাপনা হাঁকাকই

ভাগীথুং গুবাকয় পুরবিকা
ইশক্রে, ইতৌরে, ইচুলে
ঐনা জিরবৌ গুইকম খোকই
পোঙনা কমা হায়নবাই।
ঙা মথল কোকি কুহু ছমলোইনা
খাগী আকি লেকফা হামজ্রুকই
শরেং মকোক তৌ হৌমন।
চাইথো আজা পুরমক
ঐগী য়াঙজেম কোলনমনি
শিকমবা মচুরু।
অশং লেফং স্লাঙনবা
কাজ জায়ক চৌখনা
লাইসিংখৌনা ভোইনীয়কপনি
ঐদি লাইনি লাইযোনখি
ঐনা জিরখৌ ওইপনি।
ঝৈতে ভায়ু জীশং কাথনা
মমিং লংখেতুনা হায়মকই
লাক্রা নঙতে পোঙফু
নঙকা কামবনি, কিচাবী
চাকথা বাকনা কাময়নি
ঝৈতে লায়ু ঐহাকি
মখেম খুইনী খথোমি
ভাইবঙ লেকীবা অপুকা
আহানবা পাইমোর চকয়
ঐগী খাইয়োম জৌবনি।।

ঐনা মিয়থো ওইগনি।
খজা পুনমক ইকুথো
মৈতৈ ওয়ামু লৈপং কাবরা
মিংথৌ ওইফম থোকই
ফায়না য়ানরে।
চয়াঙনবা ওা থরদি
ওাতোপ্পা কা কাহনা চাবীরে
লৌশিঙ শিঙবী চাখা লাইবুবীনা
হৌজিক্কী সরকারগী য়ায়েলগা
ঐথোয়গী ইথক্কা রৌ থোয়না
চংপা শিচং, শাজংকা
চপ মায়রে ওাতোপ থবা
ফিসরি দিপার্টমেন্তা চৈজরি।

হৌজিক্কী ওইরিবা সমাজ

সমাজ,—সমাজ,—হৌজিক্কী সমাজ,
ওসিগী ভাইবঙপান, ওসিগী মীওইবা
লমজেনগী ভাইবঙ, মাপলগী পুকচেল।
কদায় পীহু—নেপোলিয়ানগী থাঙশাঙ
থাঙশাঙহ য়াওক্রবদি—
চংপা ওথক্রে লম্‌সি
ফিটনরগী য়ুমহ লম্বদি
হিংবা [illegible] মীওই [illegible]দা।
পীয়ু হৃদয়ে ওইদুনা নৌবগী
বা[illegible]যার্থনৈবা জেপোজেনবাহ

মীনৰা কাহৈহ্ মন্ত্ৰধদি
বংবা সুমলোকিত্ৰে অপাধদি ।
সত্যাগ্ৰহন ভোৰকৰ,
ভোৰকৰ্ হজর স্ট্ৰাইক
অৰ্দশনকী রা পালকনু,
খুংলায় যাওৰবদি
চুহ্ৰু ৰোম মমুহদা,
লোংলু নথরায় কিংনবা ।
নথৌনা নপাহন লৈরবন্থ
বা চাহুলগনু লাইরবা মঙ
অচুম্বা কনা ঐহনবু
নপাঙবা শেঙাও পায়বা
পুকংবদগী শানোয়বা
লাও কমলো ভাইবি নওবু
হৌজিকা থইরিবা সমাজনা
ভেংথারকনু থম্মোয় শোকা
ভানিংমে ঐখোক কপ্পা
থম্মোয় শোনবা নত্তে তাইবঙসি
কয়ু প্রেম কমা নোক্লপা
অংগ্রেইচ নাপন' বা চাংলপা
চন্দ্রকণ্ঠ মকমসিদা
থমকুসনি নকী কমকম ।
ভমলোই, ভইরোই থক লায়গনু,
ভমগনি ভইসনি অমক চারনু ।
মীনা হাংথিবগী বা চাহুলগনু
মীবু [illegible] !



[illegible]

"লোভনাক ঈশা মাশিহ্"

মহানবা মুদ্রণ—১৯৮২

কপি—১৫০০

[illegible] 'বাংলীর প্রেস' [illegible]